**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 23-03-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্যপাল অজয়কুমার ভল্লানা হয়রি- আইনগী লমদা থবক তৌরিবা লো প্রেক্তিসনরশিংনা থম্মোয় শেংনা মীয়ামগী থবক তৌবগী তঙাইফদবা লৈ।

২) মুখ্য মন্ত্রি যুমাম খেমচান্দনা হায়রি- লৈবাক অসিগী মীশিংগী চাদা ৫৮ লোমদি লৌউ শিংউগী থবক তৌবনা হায়রিবা সেক্তর অসি হেন্না চাউখৎহন্নবা অহেনবা মীৎয়েং চংলি।

৩) মণিপুরদা তোঙান তোঙানবা লমশিংদা দিজিতেলাইজ তৌবগী থবক চাদা ৫০ রোম লোইশিল্লকপা অসি শিংথানিঙাই ওইবা খোঙথাংনি হায়না থৌনাউজম বসন্তকুমার এম.এল.এনা হায়রি।

৪) নেসনেল হাইৱেশিংদা কা হেন্না য়াংনা গাড়ি থৌরিবশিং চ্যেক তৌননবা স্পিদ ইন্তরসেপ্তর ভেহিকল থৌবাল জিলাদসু ঙসিদগী মথৌ তৌবা হৌখ্রে। অমসুং

৫) অসাম, কেরলম অমসুং পুদুচেরি য়ুনিয়ন তেরিতোরিগী বিধান সভা মীখলগী মীরেপচে পীশিনবগী মতম ঙসি লোইরে।

------

হাই কোর্ট(এল)ঃ রাজ্যপাল অজয়কুমার ভল্লানা হয়রি- আইনগী লমদা থবক তৌরিবা হৌরক্লিবা লো প্রেক্তিসনরশিংগী দাইত্ব য়ামা চাউই। শিনফম অসিদা লৈরিবশিংনা থম্মোয় শেংনা মীয়ামগী থবক তৌবগী তঙাইফদবা লৈ।

হাই কোর্ট ওফ মণিপুর লিংখৎখিবগী ১৩ শুবা কুমওন থৌরম ঙসি মন্ত্রি পুখ্রিদা লৈবা হাই কোর্ট ওফ মণিপুরগী কমপ্লেক্সতা পাঙথোকপা থৌরমদা রাজ্যপালনা হায়- মণিপুরগুম্বা খেনবা কাংলুপ ফুরুপ কয়ানা খুন্দাবা রাজ্য অসিদা জ্‌দিসিয়ারিগী থৌদাং য়ামা চাওই। কোর্ট হায়বসি কেস ময়াম লোইশিনবা অদুখক নত্তে। মসিনা খুনাইদা থোং মান্নবা, আইনগী মখাদা শান্তি লৈনা পুন্না হিংমিন্ননবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরি।

থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ সিংহ হায়- লৈবাক অসিদা গনতন্ত্র অমদি নাগরিকশিংগী নীংদম্বা ঙাকবা হোৎনবদা জ্‌দিসিয়ারিগী থৌদাং য়ামা চাউই। রাজ্য অসিদা অফবা লৈঙাক সাসন অমা পুরকবা হোৎনবদা জ্‌দিসিয়ারিনা লেজিসলেচরশিং অমদি একজিক্যুতিভকা খুৎশমনা থবক তৌমিন্নবা তঙাইফদে। রাজ্য অসিদা লৈরিবা জ্‌দিসিয়ারিগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং মতমগা চুনবা মওংদা শেমগৎ শাগৎনবা সরকারনা অঙম্বা থাক্তা মতেং পাংদুনা লাক্লি।

থৌরম অদুদা হাই কোর্ট ওফ মণিপুরগী চিফ জস্তিস, জস্তিস এম.সুন্দরনচিংবা শরুক য়াখি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ঈ সেবা কেন্দ্র বস শিজিন্নদুনা নুমিৎ ৭ নিগী ওইবা ঈ.সি.তি প্রোগ্রাম হৌদোকখি। মসিগী মথক্তা হাই কোর্ট ওফ মণিপুর-১৩ ইয়র্স ওফ জস্তিস হায়বসিগী মতাংদা দোক্যুমেন্তরি অমা পুথোকখি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা হাই কোর্ট ওফ মণিপুরগী সোভিনিয়র, মনিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতিগী ন্যুজ লেতর, হেন্দ বুক ওফ লিগেল তর্মস অমসুং মণিপুর জ্‌দিসিয়েল একাদেমি ভিজন দোক্যুমেন্ট ২০২৬-২০৩৬ পুথোকখি।

খেমচন্দ (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি- লৈবাক অসিগী মীশিংগী চাদা ৫৮ লোমদি লৌউ শিংউগী থবক তৌবনা হায়রিবা সেক্তর অসি হেন্না চাউখৎহন্নবা অহেনবা মীৎয়েং চংবগী তঙাইফদবা লৈ।

সেন্ত্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিতি ইম্ফালনা শিন্দুনা নুমিৎ হুমি চথুরকপা এগ্রি য়ুথ পার্লিয়ামেন্ট ২০২৬ ঙসি লোইশিনবগী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী

খেমচান্দনা হায়- রাজ্যগী প্লানিং ফিভাগকা তান্নরগা রাজ্য অসিগী নহাশিং লৌউ শিংউগী খুত্থাংদা হেন্না কান্নবা অমদি খুদোংচাবা ফংহন্নবা সরকারনা অনৌবা থৌরাংশিং পায়খৎনবা হোৎনরি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা সি.এ.য়ু ইম্ফালগী ভাইস চান্সেল্লর ডাঃ অনুপম মিশ্রানা হায়- অৱাং নোংপোক লমদমদা লৌউ শিংউগী থবক থৌরমশিং কমদৌনা চাওখৎহনগদগে হায়বগী মতাংদা খন্ননবা তোঙান তোঙানবা ষ্টেগ হোল্ডরশিং, ইনোভেতরশিংগী ওইবা য়ুথ পার্লিয়ামেন্ট অসি পাঙথোকপনি।

মুখ্য মন্ত্রিনা তোঙান তোঙানবা ইনোভেতরশিং, নহা ওইরিবা ওন্তরপ্রেন্যুরশিংনা হাংবা ষ্টোলশিং য়েংখি। লোয়ননা এগ্রিকলচরেল এক্সতেন্সন ইনোভেসন্স কৌবা পোলিসি দোক্কুমেন্ট অমসু পুথোকখি।

থৌরম অদুদা নোর্থ ইষ্টর্ণ হিল য়ুনিভর্সিতি শিল্লোংগী ভাইস চান্সেলর ডা.প্রভা সঙ্কর সুক্লা শরুক য়াখি।

ড্রগ (এল)ঃ মাও পুলিস, সি.আর.পি.এফ অমসুং অসাম রাইফলসকী অপুনবা কাংবু অমনা নেসনেল হাইৱে টুগী মাও চ্যেক পোইন্টতা অচৎ অওকশিং চ্যেক তৌবদা মীওই অমদগী সাপোন কেপ ১৫ দা হাপ্তুনা পুরকপা ব্রাউনসুগর গ্রাম ১৭৪ ফারে।

পুলিসকী পাউনা হায়- সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবু অদুনা মফম অদুদা ঙসি নুংথিল অচৎ অওকশিং চ্যেক তৌরিঙৈদা মীওই অমনা থৌদুনা লাকপা কার অমা চ্যেক তৌরুবদা ড্রগশিং অদু ফাবা ঙমখিবনি। ফারবা মীওই অদু মাও পুলিস ষ্টেসনদা মখা তাবা আইনগী থবক লৌখৎনবা শিন্নখ্রে।

বসন্তকুমার (এল)ঃ থৌনাউজম বসন্তকুমার এম.এল.এনা হায়রি- মণিপুরদা তোঙান তোঙানবা লমশিংদা দিজিতেলাইজ তৌবগী থবক চাদা ৫০ রোম লোইশিল্লকপা অসি শিংথানিঙাই ওইবা খোঙথাং অমনি।

রাজ্যগী ইনফোর্মেসন টেকোলোজি দিপার্টমেন্টনা শিন্দুনা ঙসিদগী হোটেল ইম্ফালগী শঙাই হোলদা হৌখিবা নুমিৎ নিনি চত্থগদবা দিজিতেল ইন্দিয়া ষ্টেট

কন্সলটেসন ৱার্কসোপ হৌদোকপগী থৌরমদা অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়ারদুনা শ্রী বসন্তকুমারনা হায়- কেন্দ্র সরকারনা পায়খৎলিবা দিজিতেল ইন্দিয়াগী খোঙথাং অসিনা ভারতপু দিজিতেলগী লমদা শক্তি লৈরবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা হোৎনরি। দি.জি. লোক্কর, এনটিটি লোক্কর, এ.পি.আই সেত্তু অমসুং উমংনচিংবা তোঙান তোঙানবা দিজিতেল প্লেটফোর্মশিংনা কান্নবা কয়া পীরি। মহাকা হায়- দি.জি. লোক্করদা আধার, দ্রাইভিং লাইসেন্স অমসুং ইজ্কেসনেল সার্তিফিকেট, এনটিটি লোক্করনা ওর্গনাইজেসনশিং, লল্লোন ঈতিক তৌরিবশিং, ইন্সটিট্যুসনশিং অমদি ষ্টার্টঅপনচিংবা অমসুং এ.পি.আই সেত্তুনা সরকারনা পায়খৎপা য়াইফ থৌরাংশিং মীয়ামদা হকথেংননা অমদি থুনা ফংহনবদা মতেং পাংলি। ডমং-মোবাইল প্লেটফোর্মনা ইলেক্ত্রিক অমসুং টেলিফোন্নচিংবগী বিল পীবদা হেন্না খুদোংচাহল্লি।

থৌবাল (এল)ঃ নেসনেল হাইৱেশিংদা কা হেন্না য়াংনা গাড়ি থৌরিবশিং চ্যেক তৌননবা স্পিদ ইন্তরসেপ্তর ভেহিকল থোবাল জিলাদসু ঙসিদগী মথৌ তৌবা হৌখ্রে। নিংশিংবা য়াই, হাইৱেশিংদা গাড়ি য়াংনা থৌবদগী লন্বীগী খুদোংথিবা থোকপগী চাং হেনগৎলক্লিবা অসি হন্থহনবা ঙমবগী পান্দমদা ত্রান্সপোর্ট বিভাগকী মখাদা স্পিদ ইন্তরসেপ্তর ভেহিকল মতম খরগী মমাংদা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হৌদোকখিবনি। থৌবাল জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার য়ুমাম রোবিতানা জিলা অসিগী ওইনা স্পিদ ইন্তরসেপ্তর ভেহিকল অসি ঙসি হৌদোকখিবনি। থৌরম অদুদা থৌবাল জিলাগী দি.টি.ও- হেমোচন্দ্র ইরেংবমসু শরুক কয়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা দিপ্যুতি কম্মিসনার রোবিতা য়ুমামনা হায়- স্পিদ ইন্তরসেপ্তর ভেহিকল অসি রাজ্য অসিগী ওইনা অনি পীরকপনি। মসিগী মনুংদা অমনা ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদা থমখ্রবা মতুং লন্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক থোকপগী চাং ৱাংলিবা থৌবাল জিলাদসু অমা থন্বনি। মমাং চহিগী ওইনা থৌবাল জিলাদা পুন্না এক্সিদেন্ট ৯০ থোকখি। মদুগী মীওই ৩০ রোম লৈখিদে। মহাকা মখা তানা হায়- কা হেন্না গাড়ি য়াংনা থৌবশিং অমদি হেলমেট

উপতবুশিং ত্রান্সপোর্ট বিভাগনা ফাদুনা চলান ককপা অমদি মীয়ামদা এৱারনেস পীদুনা লাক্লি। স্পিদ ইন্তরসেপ্তুর ভেহিকল অসি লম্বীগী মফম অমদা খামদুনা থল্লগা গাড়ি য়াংনা থৌরিবশিং মশক খঙদোক্কনি। মীয়ামা য়ারিবা মখৈ অপিবা স্পিদ লিমিতদগী কা হেন্না গাড়ি য়াংনা থৌবীদনবা মহাকা আপীল তৌরি।

দেদ (এল)ঃ অকাশবানি ইম্ফালগী সেনিয়র টেকিসিয়ান ওইরম্বা নাগামপাল রিমস রোডতা লৈবা ওক্রম তোলেন সিংহ লৈখিদ্রে। মশিংগী চহি ৫৮ শুখ্রে। মহাক্কী লোয়নবী অমসুং মচা অহুম লৈহৌরি।

ফ্রিদম ফাইতর (এল)ঃ জষ্টিস কমিতি ওন এঙ্গলো মণিপুরী ৱার ১৮৯১, মারটিয়র্স এন্দ ফ্রিদম ফাইটরস ওফ কংলৈপাক (মণিপুর)না শিন্দুনা হয়েং ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুং (ফৈদাপুং)দা, কংলাদা বৃটিশশিংনা লান্দারকখিবা নুমিৎকী নীংশিং থৌরম পাঙথোক্কনি। থৌরম অদুদা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ সিংহ্ শরুক য়াগনি। মালেমগী থাক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অসিদা মণিপুরগী মপানদা চোইনা খুন্দারিবা মণিপুরীশিংগী তোঙান তোঙানবা লুপশিংগী মীহুৎ কয়াসু শরুক য়াগনি। এঙ্গলো মণিপুরী লান অদুদা য়াওখিবা, মতম অদুদা মণিপুরগী নীংতম্বা ঙাকবা হোৎনবদা বৃটিশশিংগা হকথেংননা লান্থেংনখিবা অথৌবা ইপা ইপুশিংগী লৈহৌরিবা মচা মশুশিংদা জষ্টিস কমিতিনা ইকায় খুমবা উৎপগী থৌরমসু পাঙথোক্কনি হায়রি।

ফেষ্টিভেল (এল)ঃ নুমিৎ হুমি চথুগদবা ফেষ্টিভেল ওফ দান্স এন্দ ম্যুজিক হয়েংদগী গভর্নমেন্ট দান্স কলেজ, পেলেস কম্পাউন্দ ইম্ফালদা হৌরগনি। মণিপুরগী আর্ট অমসুং কলচর মন্ত্রি খুরাইজম লোকেন সিংহনা ফেষ্টিভেল অসি হৌদোক্কনি। ইষ্টর্ন জোনেল কলচরেল সেন্তর কোলকাতানা গভর্নমেন্ট দান্স কলেজ ইম্ফালগা খুৎশমনা শিনবা ফেষ্টিভেল অসিদা মণিপুরী, ভারত নাত্যম, কথক অমসুং কবুই, কোইরেং অমদি তাঙ্খুলনচিংবগী ফোক্ক জগোইশিং

উৎকনি। গুরু রিউবেন মসাংবগী তাঙ্খুল ম্যুজিক য়াওনা তোঙান তোঙানবা ফোল্ক ম্যুজিক্কী থৌরমসু পাঙথোক্কনি।

সাইন্স (এল) ঃ মণিপুর সাইন্স এন্দ টেকোলোজি কাউন্সিল ইম্ফালনা শিন দুনা ওজাশিং অমসুং রিছার্সরশিংগী ওইবা নুমিৎ হুমিগী রাজ্য থাক্কী সাইন্স কংগ্রেস হয়েংদগী তাকয়েলপাৎ ইম্ফালদা লৈবা মণিপুর সাইন্স সেন্তরদা হৌরগনি। সাইন্স কংগ্রেস অসিগী থিমদি ইনোভেতিভ সাইন্স ইজ্‌কেসন ফোর এ সষ্টেনেবল ফ্যুচর হায়বসিনি।

ইলেক্সন ঃ অসাম, কেরলম অমসুং পুদুচেরি য়ুনিয়ন তেরিতোরিগী বিধান সভা মীখলগী মীরেপচে পীশিনবগী মতম ঙসি লোইরে। রাজ্য অনি অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি অসিদা মথং থাগী ৯ দা ভোৎ থাদনগনি। হয়েং মীরেপচেশিং স্ক্রুতিনি তৌগনি। মীরেপচে লৌথোকপগী অরোইবা নুমিৎনা থা অসিগী ২৬ নি।

তামিলনাদুদা তাঙ্কক অমখক্তা ওইনা এপ্রিল ২৩ দা ভোৎ থাদনগনি। নোংচুপ বেঙ্গলদনা তাঙ্কক অনিদা এপ্রিল ২৩ অমসুং ২৯ দা ভোৎ থাদনগনি। তামিলনাদু অমসুং নোংচুপ বেঙ্গল বিধান সভা মীখলগী নোতিফিকেসন থা অসিগী ৩০ দা থোক্কনি। নোংচুপ বেঙ্গলগী অনিসুবা তাঙ্কক্কীনা এপ্রিল অনিদা নোতিফিকেসন থোক্কনি। রাজ্য মরি অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি অসিগী ভোৎ মশিং মে ৪ দা থীগনি।

সিট ১২৬ লৈবা অসাম বিধান সভাগী মতম মে ২০ দা অমসুং সিট ১৪০ লৈবা কেরলম বিধান সভাগী মতমনা মে ২৩ দা লোইরগনি। সিট ৩০ লৈবা পুদুচেরি বিধান সভাগী মতমনা জ়ন ১৫ দা লোইগনি। অদুগা সিট ২৩৪ লৈবা তামিলনাদু বিধান সভাগী মতমনা মে ১০ দা লোইগনি। সিট ২৯৪ লৈবা নোংচুপ বেঙ্গল বিধান সভাগী মতম মে ৭ তা লোইরগনি।

বিল ঃ লোক সভানা ঙসি কোর্পোরেট লোজ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০২৬ মখা তানা য়েংশিন্নবা জোইন্ট পার্লিয়ামেন্টরি কমিতিদা থাদখ্রে। শেল থুম মন্ত্রি

নিরমালা সিতারমন্না সভাদা ঙসি বিল অদু পুথোক্লবা তুংদা মখা তানা কুপা খন্ননবা জে.পি.সিদা থাদনবা প্রস্তাব তৌখি। জে.পি.সিদা বিল অদু পীথবদা সভানা অয়াবা পীখি। বিল অসিনা লিমিতেদ লাইএবিলিতি পার্টনরসিপ এক্ট ২০০৮ অমসুং দ কম্পনিজ এক্ট ২০১৩ শেমদোকবা হায়রি।

পাতিল ঃ কেন্দ্রগী জল শক্তি মন্ত্রি সি.আর. পাতিলনা হায়রি- জল জিবন মিসনগী মখাদা য়ুম কোতি ১৬ হেনবদা তোতি ঈশিং ফংহনখ্রে।

নিউ দিল্লিদা ঙসি ৱার্ল্ড ৱাটর ডে কনক্লেভ ২০২৬ হৌদোকপগী মীফমদা মন্ত্রিনা ৱাফম অসি ফোংদোকখিবনি। মন্ত্রিনা হায়- মীফম অসিনা ঈশিং য়োক্তুনা থম্বা অমসুং কান্নগদবা মওংদা হৈ শিংনা ঈশিং শিজিন্নবগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা মোৎ অমসুং ৱাখল্লোন খণ্ডমিন্ননবগী প্লেটফোর্ম অমা ওইরগনি। নমামি গঙ্গে মিসনগুম্বা থৌরাংশিং মন্ত্রিনা থাগৎখি অমসুং তুরেলগী ঈশিং লু-নান্না থমবা সরকারগী অচেৎপা ফিরেপ লৈ হায়না অমুক হন্না ফোংদোকখি।

ৱেষ্ট এসিয়া ঃ নোংচুপ এসিয়া শিন থুংবদা য়ামা মরুওইবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিংদা খুৎ হন্দুনা লান্দাগনি হায়না টেহরান্না কিহল্লক্লিঁঙৈ চৈরক্তা ইজরেলনা নৌনা ইরানদা মথং মথং লান্দাখ্রে। মসিনা মুকবা অসি হেনগৎহন্দুনা মালেমগী ওইনা ইনর্জিগী ৱাথোক লাকবা মরম ওইহল্লে।

ইরানগী মিদিয়ানা হায়- টেহরানগী জিলা কয়ামরুমদা পোকখায়বগী মখোল তাখিবগী পাউ ফংই। অমরোমদা, সাউদি অরাবিয়া অমসুং য়ু.এ.ইনা লৈবাকশিং অদুদা কাপশিল্লকপা মিসাইল অমসুং দ্রোনশিং থুগাইখ্রে হায়রি।

ইন্তরনেসনেল ইনর্জি এজেন্সিগী মকোক ফাতিহ বিরোলনা হায়- লমদম অদুগী য়ামদ্রবদা থাউ অমসুং গ্যাসকী ফেসিলিতি ৪০ রোম ফিভম শোকা অমাং অতা থোক্লে। ইরান ষ্টেট মিদিয়ানা হায়- বন্দর অবাসতা লৈবা রেদিও ত্রান্সমিসন ফেসিলিতি অমদা লান্দাবদা য়ামদ্রবদা মী অমা শিরে।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফুটবোল ঃ মনিপুর ভেটরান ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিনদুনা ২৪ শুবা চেলেঞ্জ কপ ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট ঙসি সাই এন.ই.আর.সি. নেচরেল গ্রাস ফুটবোল গ্রাউন্দ তাকয়েলদা শান্নখিবা মেটচতা লংথবাল এফ.সিনা এফ.এল.ভি.কে.টি ক্বাকৈথেলবু পাঞ্জল ৫-০ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা টি.আর.ভি.এম মালোমনা এফ.এফ.সি নিংঙোম্বমবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখি।

ফুটবোল ঃ ৮ শুবা এস.ডব্লিয়ু.সি. খোঙমননা শিনদুনা চথরিবা ৮ শুবা টি.ঐচ. ওংবী ঙানবী দেবী মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা- এন.ৱাই.টি.ঐচ.সি ওক্রম চুথেকা এস.দি.এ ক্যামগৈবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা এ.বি.এনা এম.আর.ওবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখি।

ফেন্সিং ঃ থা অসিগী ২৬ তগী ২৯ ফাওবা কজাকস্থানদা পাঙথোক্কদবা ফেন্সিং ইপি ৱার্ল্ড কপতা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী ফেন্সিং শান্নরোই মহারাবম অষ্ট্রেলা দেবী সাই এন.সি.ও.ই ইম্ফালগী কোচ, হুইদ্রোম শুরঞ্জয়, খেল্লো ইন্দিয়া সেন্তর ইম্ফালগী কোচ হজারিময়ুম হরিপ্যারি দেবী ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে। হায়রিবা তুরনামেন্ট অসিদা মখোয়না ভারতকী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াগনি।

ক্রিকেট ঃ বি.সি.সি.আই সেন্তর ওফ এক্সেলেন্সকী মখাদা মথং থাগী ২০ দগী মেগী ১৪ ফাওবা রাঞ্চিদা পাঙথোক্কদবা নোর্থ ইষ্ট সেনিয়র মেন্স কেম্পতা শরুক য়াগদবা মণিপুরদগী শান্নরোই ৮ খল্লক্লে হায়না মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসন্না চেরোল অমদা হায়রি।

------